# কেরলাদা আরএসএসকী ৱার্কর অমা হাৎখ্রে সোসিএল মিদিয়া লান্না শীজিন্নদনবা পুলিসনা ৱার্নিং তৌখ্রে

থিরুভনন্টপুরম, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী):
থাংজ নুমিত্তা কেরলাগী পলাকদ দিষ্ট্রিক্টতা রাষ্ট্রিয়া স্বায়ম সেভক সঙ্ঘ (আরএসএস) কী এক্তিভিষ্ট অমা বাইক তোংবা মীওই মঙানা থাঙনা য়ান্দুনা হাৎখ্রবা মতুংদা কেরলা পুলিসনা এর্ন্টি সোসিএল ইলিমেন্টশিংদা অকনবা ৱার্নিং পীরদুনা সোসিএল মিদিয়াগী খুত্থাংদা মীহাৎ অদুগা মরী লৈননা ইরাং থোকহনগদবা মেসেজশিং শন্দোক্তনবা খঙহনখ্রে।



সোসল দিমোক্রেটিক পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এসদিবিআই) গী ফঙ্কসনরি অমা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী টিলাপুলিদা হাৎখিবা মতুং নোংমা কান্নরগা মদুগী লম্মন খুন্বা ওইনা আরএসএসকী এক্তিভিষ্ট অসি হাৎখিবা ওইরমগনি হায়না থাজনরি।

ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না মশাগী চহী ৪৫ শুরবা শ্রিনিভাসন কৌবা আরএসএসকী এক্তিভিষ্ট অদু মহাক্কী দুকানদা থাঙ তেনশিং শীজিন্নদুনা এটেক্ট তৌখিবনি। শ্রিনিভাসন্না কপ লাউবা তাবদগী মনাক্তা লেপ্তুনা লৈবা মীওইশিং মফম অদুদা চঙশিনখি।

মখোয়না মফম অদুদা মীওই অমা বাইক অমদা ফল্লম্বা থেংনখি। মহাক দুকান মনুংদা লৈরিবা মহাক্কা লাকমিন্নবা মীওইশিং ঙাইদুনা লৈরম্বনি। এটেক্করশিং অদু মদুগী মতুংদা মোটোর সাইকল অনী তোংলগা মফম অদুদগী চৎখি। শ্রিনিভাসন অসি আরএসএসকী ওফিস বিয়ারর অমসুং ওর্গনাইজেসন অসিগী হান্নগী দিষ্ট্রিক্ট লিদরনি।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা মশাগী চহী ৪৩ রোম শুরবা পি সুব্যের কৌবা এসদিপিআইগী ইলাপুল্লি এরিয়াগী সেক্রেটরি অসি মশক খঙদবা এটেক্করশিংনা থাঙনা থিনবদা শিখিবনি। এসদিপিআইগী মতুং ইন্না এটেক্করশিং অদু আরএসএসকী এক্তিভিষ্টশিংনি। এসদিপিআইনা সুব্যেরগী মীহাৎ অদুদা আরএসএস চেন্নৈ হায়না মরাল শীরবসু আর এস এসনদি ৱাফম অদু য়াখিদে।

পুলিসনসু সুব্যেরবু হাৎলিবদু হৌখিবা চহীগী নবেম্বরদা এসদিপিআইগী ৱার্করশিংনা সিঞ্জিৎ কৌবা আরএসএসকী মেম্বর অমা হাৎখিবগী লমন খুম্বনি হায়না চিংনরি। সুব্যের অমসুং মহাক্কী অহল ওইরবা মপা বাসির ইরাই নুমিৎতা মোস্ক অমদা লাইশোল থৌরম পাঙথোক্লুরবা মতুংদা বাইক তোংলগা মখোয়গী ময়ুম তম্না হল্লকখিবনি। মতমদুদা মখোয়গী বাইক অদু কার অমনা থোমখি অমসুং মখোয় অনীমক ফিভম থিনা শোকখি।

থৌদোক অদুদা সুব্যেরনা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখ্রবা মতুংদা মহাক্কী অপোকপা বাসিরনা ফোঙদোরকখিবদা মীওই মরি কার অনীদা লাকখি অমসুং মীওইশিং অদুনা মহাক্কী মচানুপাবু হাৎখি অমসুং মখোয় কার অমদা তোংলগা চেনখি। মখোয়না কার অমদি ক্রাইম থোক্লিবা মফম অদুদা লংথোক্লমখি। লোকেল এসদিপিআই এক্তিভিষ্টশিংনা থৌদোক অদু আরএসএস অমসুং বিজেপিনা চত্থরকখিবা কো ওর্দিনেটেদ এটেক্ট অমনি হায়না ক্লেম তৌখি।

মীহাৎপশিং অদুনা চেনখিবনি হায়বা ষ্টেট তামিল নাদুদা পুলিসনা ইনভেষ্টিগেটর থাদুনা থিজিনবা হৌখি। মীহাৎ অদুগী মতুংদা দিরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস অনিল কান্তনা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস চীফ ১৪ মক্তা এদভাইজরি অমা ইস্যু তৌদুনা অৱাংবা থাক্তা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈনবা খঙহনখি।

রিপোর্টখরগী মতুং ইন্না সুব্যেরগী মীহাৎ অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা আরএসএসকী ৱার্কর মরি ফাখি।

চৈরকসিদা ইনৌ নৌবা মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা চেন্নবা মীওইশিং ফাননবা পুলিসনা থী হুন্বগী থবক চাওনা চত্থবা হৌখ্রে হায়রি।

পল্লাকাদতা লো এন্দ ওর্দর মেন্টেন তৌনবা কেরলা আর্মদ পুলিসকী কম্পেনি অহুম থাজিনখ্রে। সিনিয়র পুলিস ওফিসিএলশিংসু ওইরক্লিবা ফিভমশিং মোনিটর তৌনবা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা চঙশিনখি হায়রি।

# বেঙ্গলগী বাই ইলেক্সনদা ট্রিনামুল কংগ্রেসকী কেন্দিদেটশিং মায় পাকখ্রে

কোলকত্তা, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী):
ৱেষ্ট বেঙ্গলগী অসান্সোল লোক সভা অমসুং বাল্লিগুন্স এসেমল্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী বাই ইলেক্সনশিংদা ট্রিনামুল কংগ্রেসকী কেন্দিদেটশিংনা মায় পাকখ্রে।



অসান্সোল লোক সভা কন্সটিট্যুএন্সি অসি শেমখিবদগী ট্রিনামুল কংগ্রেসকী কেন্দিদেট অমনা সিট অসিদা মায় পাকপসি মসিনা অহানবনি। কন্সটিট্যুএন্সি অনীমক্কী ওইনা ইলেক্সন কম্মিসন্না ভোটমশিং চপ চানা কয়াম হেল্লগা মায় পাক্লিবনো হায়বদু হৌজিক ফাওবগী ওইনা লাউথোক্ত্রিবা ওইরবসু কাউন্টিং সেন্টরশিংদগী ফঙবা ফিগরশিংগী মতুং ইন্না কন্সটিট্যুএন্সি অনীমক্তা ত্রিনামুলনা মায় পাক্লে হায়বসি কনফার্ম তৌখ্রে।

বাল্লিগুন্স এসেমব্লি বাই ইলেক্সনদা শৈশকপা অমা ওইরম্বদগী পোলিটিসিয়ান ওল্লকখিবা ট্রিনামুল কেন্দিদেট বাবুল সুপ্রিয়োনা মহাক্কা খ্বাইদগী নক্কবা লম্বা ওইরিবা সিপিআই (এম) গী সাইরা সহা হালিমদগী ভোট মশিং লিশিং ২০ লোম হেন্দুনা মায় পাকখি।

অসান্সোল লোক সভা কন্সটিট্যুএন্সিগী বাই ইলেক্সনদা ট্রিনামুলগী মীরেপ ওইরিবা এক্টর ওইরম্বদগী পোলিটিসিয়ান ওইরকখিবা সত্রুঘন সিনহানা মহাক্কা খ্বাইদগী নক্কবা লম্বা ওইরিবা বিজেপিগী এগ্নিমিত্রা পোলদগী ভোট মশিং লাক্ষ ২.৯৭ গী মথক্তা হেন্দুনা চাওনা মায় পাকখি।

অদুম ওইনমক ট্রিনামুল কংগ্রেসনা বাল্লিগুন্সতা মায় পাক্লিবসি কুমজা ২০২১ গী মীখলগা চাংদম্নবদা ভোট ফঙবগী চাং হন্থরি। মমাঙগী মীখল অদুদা পার্টিসিগী কেন্দিদেট অমদি হান্নগী ষ্টেট মিনিষ্টর লৈখিদ্রবা সুব্রাটম মুখর্জিনা মহাক্কা খ্বাইদগী নক্কবা লম্বা ওইখিবা বিজেপিগী লোকনাথ চেত্তর্জিবু ভোট মশিং ৭৫,৩৫৯ হেন্দুনা মায়থীবা পীখি।

মুখর্জিনা হৌখিবা চহীগী নবেম্বর থাদা লৈখিদবগী বাল্লুগুন্সতা বাই ইলেক্সন পাঙথোকপা মথৌ তারকপনি। বাল্লিগুন্স এসেমল্লি কন্সটিট্যুএন্সিনা কোনবা ম্যুনিসিপাল ৱার্দ তরেৎকী মনুংদা মাইনোরিটিশিংনা দোমিনেট তৌবা ৱার্দ অনী হায়বদি ৱার্দ নম্বর ৬৪ অমসুং ৬৫ তা বাবুল সুপ্রিয়োদগী সাইরা সাহ হালিমনা ভোট মশিং হেন্না ফঙখি। বাল্লিগুন্সতা বিজেপিগী কেয়া ঘোসনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখি অমসুং কুমরুজাম চৌধুরিনা মরিশুবদা লৈখি। অসান্সোলদা সিপিআই (এম) গী পর্থ মুখর্জি অমসুং কংগ্রেসকী প্রসেঞ্জিৎনা মথংশিংনা অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা পোজিসনশিংদা লৈখি।

# টেলঙ্গানাগী খমামদা বিজেপিগী ৱার্কর অমা সুইসাইদ তৌখিবদগী টেন্সন লৈখ্রে

হায়দ্রবাদ, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী):
টেলঙ্গানাগী খমাম টাউনদা পুলিসনা হরাসমেন্ট পীবদগী বিজেপিগী ৱার্কর অমা সুইসাইদ তৌখিবগা টেন্সন লৈখ্রে হায়রি।



পোষ্ট মোর্টেম তৌবদা থিন্থব-গীদমক বিজেপিগী ৱার্করশিংনা খমামদা লৈবা গভর্নমেন্ট হোস্পি-টালদা এটেক্ট তৌখি। মখোয়না হোস্পিটাল অদুগী থোঙনাওগী গ্লাসশিং থুগায়খি অতে প্রোপর্টিশিং মাঙহন তাকহনখি। ফিভম অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসতা অৱাবা অমা ওইখি। পুলিস পার্সনেল খরসু এটেক্ট অদুদা অশোক অপন নঙখি হায়রি।

নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা তিলহাৎ হিদাক থকখিবা ভারতিয়া মজদুর য়ুনিয়নগী দিষ্ট্রিক্ট কনভেনর সাই গনেস থাংজ নুমিত্তা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি। মহাক্কী হকচাং অদু মতুং তারকপদা খমাম টাউনদা পুখি।

বিজেপিনা মরাল শীরিবদি গনেসপু ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর পি অজয়কুমারগী ইথিলদা পুলিসনা হরাসমেন্ট পীখি হায়বসিনি। মরু ওইনা লৈখিদ্রবা বিজেপিগী এক্তিভিষ্ট অসিনা করপসনগী মায়োক্তা সোসল মিদিয়াদা পোষ্ট কয়া থাগৎখিবগীদমক্তা মিনিষ্টর অসিনা মহাকপু শাউখি হায়না পার্টি অসিনা মরাল শীরি।

বিজেপিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট বাদি সঞ্জয়না হায়খি, মদুদি পুলিসনা সাই গনেসকী মায়োক্তা অরানবা কেস ১৫ লৌখৎখি। অসিগুম্বা হরাসমেন্টদা খাঙবদা ৱারবা গনেসনা ইরাই নুমিত্তা খমামদা তিলহাৎ হিদাক থক্তুনা মথন্তা শিজনবা হোৎনখিবনি।

মহাকপু টাউন অদুদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি। তৌইগুম্বসুং ফিভম ফৎচিল্লক্তবদগী মহাক ট্রিটমেন্ট তৌননবা হায়দ্রবাদতা পুখি। বিজেপিগী এক্তিভিষ্ট অসি শিখিবদগী খমাম টাউনদা টেন্সন থোকহনখি। পার্টি ৱার্করশিংনা মহাক্কী মীশি অদুবু থোকহনখিবশিংনি হায়বশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎনবা তকশিল্লদুনা প্রোটেষ্ট চত্থখি। মখোয়না ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর কেটি রমারাওবু শোক্লনবা টেলঙ্গানা রাষ্ট্র সম্মিটি (টিআরএস) না থেকপা বেন্নরশিং মৈ থাখি।

# বিহারগী বাই ইলেক্সনদা আরজেদিনা মায় পাকখ্রে

পাটনা, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী):
বিহারগী বোচাহন এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী বাই ইলেক্সনদা রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আরজেদি) না মায় পাকখ্রে।

আরজেদিগী কেন্দিদেট অমর কুমার পাসৱান্না বিজেপিগী কেন্দিদেট বেবি কুমারিদগী ভোট মশিং লিশিং ৩৬ হেন্দুনা মায় পাকখিবনি। ভোট মশিং থীবা রাউন্দ ২৫ লোইবদা আরজেদিগী কেন্দিদেট অমরকুমারনা ভোট ৮২,৫৬২ ফঙখিবদা বিজেপিগী বেবি কুমারিনা ভোট ৪৫,৯০৯ ফঙখি। ভিআইগী কেন্দিদেট ডা. গিতা কুমারিনা ভোট ২৯,২৭৯ ফঙদুনা অহুমশুবা তাখি।

বাই ইলেক্সনদা চাওনা মায় পাক্লবা মতুংদা টাজাসৱি যাদবনা ট্যুটর পোষ্ট অমদা হায়খি, আরজেদিবু শৌগৎপীবগীদমক ঐখোয়না বোচাহনগী মীয়াম্বু থাগৎলি। থবক ফঙদবা, পোৎ চৈগী মমল হেনগৎলকপা, লাইরিক তম্বা ফঙদবা, অনা লায়েংগী খুদোংচাবা লৈতবা লৌউ শিংউদা শোত্থরবা অমদি লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম শোক্লবা কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মীয়াম্না পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরিবা এনদিএগী দব্বল ইঞ্জিন গভর্নমেন্টবু মায়থীবা পীখ্রে।

বিহারগী পার্টি মরি য়াওবা এনদিএ গভর্নমেন্টবু কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মীয়াম্না মায়থীবা পীরে হায়না মহাক্না মখা তানা পোষ্ট অদুদা পনখি।

আরজেদিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট জগাদনন সিংহনা ফোঙদোকখিবদা বোচাহনগী মীয়াম্না বিহারগী গভর্নমেন্টদা অচৌবা মেসেজ অমা পীখ্রে। মসি নিতিসকুমার গভর্নমেন্টগী মায়োক্তা বোচাহনগী মীয়াম্না য়ানিংদবা উৎলকপনি। আরজেদিনা বিজেপি অমসুং ভিআইপি অনীগী অপুনবদগী ভোট মশিং হেন্না ফঙখি।

আরজেদিগী কেন্দিদেট ওইরিবা অমার পাসৱান লৈখিদ্রবা মুসাফির পাসৱানগী মচানুপানি। কুমজা ২০২০ গী এসেমল্লি মীখলদা মুসাফিরনা ভিআইপি টিকেটতা মায় পাকখি। মহাক হৌখিবা চহীগী নবেম্বরদা লৈখিদবনি। মদুদগী মুসাফরপুরগী মনুং চনবা বোচাহন এসেমল্লি সিট অসি হাংদুনা লাকখি।

মুসাফির পাসৱাননা লৈখিদ্রবা মতুংদা আরজেদিনা বাই ইলেক্সনদা কন্টেষ্ট তৌননবা মহাক্কী মচানুপা অমর পাসৱানদা টিকেট পীখিবনি হায়রি।

ꯁꯩ ꯁꯥꯖꯥꯡꯁꯣꯡ URGENT JOB VACANCY
Govt. Regd. No. SSL/64/com Estd of 2016, Manipur

Airport Job Vacancy at Bangalore, Hyderabad & Kolkata
(Training with 100% Placement) First Come First Chance

| Sl. No. | Name of the Post | Salary | No. of Posts | Qualification |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Loader/ Cargo Loader/Cleaner | Rs. 12000 above | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | VIP Lounge Staff/ Ground Staff | Rs. 15000 above | 20 | XII / Grad / Master |
| 3 | Commercial CSA Staff/ Attendent | Rs. 15000 above | 20 | Grad / Master |
| Job Vacancy at Imphal (First Come First Chance) | | | | |
| 1 | Office Reception/ Front desk | Rs. 5000 - 20000 | 18 | X / XII / G |
| 2 | Food & Beverage Supervisor | Rs. 10000 | 10 | XII / G |
| 3 | VIP Driver / Company Driver | Rs. 6000-15000 | 15 | VIII / X / XII |
| 4 | Security Guard (M/F) | Rs. 6000-25000 | 25 | VIII/X/XII |
| 5 | Helper/ Chawkidar | Rs. 4500 - 20000 | 15 | VIII/X/XII |
| 6 | Cook / Waiter | Rs. 4500-20000 | 20 | VIII/X/XII |
| 7 | Delivery Service | Rs. 8000 | 5 | XII/ Graduate |
| 8 | Juice Selling Workers | Rs 5000 | 20 | VIII/X/XII |
| 9 | Ex- Service Men | Rs. 8000- 15000 + EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 10 | Supervisor / Trainer | Rs. 8000 – 20000 +EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 11 | Official Managerial Staff | Rs. 5000- 8000 | 20 | X / XII |
| Vacancy at North East India (Male/Female) | | | | |
| 1 | Security Guard (Pune) | Rs. 18000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | Ex-Servicefman (Assam) | Rs. 30000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 3 | Banking Staff (26 Yrs) | Rs. 14000 above | 15 | Graduate |

Last Date of Submission : 28/04/2022
For More Information Please Contact
Offcie Timing : 10:30 am to 3:00 pm
# 7641836503 / 8794793684
Date of Interview : 29/04/2022
Salai Unemployment Service Centre
Sagolband Salam Leikai, Near Luxmi Kitchen, Jiri Parking
HL-P/2179/7,8,11,13,17,18,20,23,25

# কোভিদ ১৯ কেস হেনগৎলকপদগী য়ুপিগী সিএম অদিত্যনাথনা এনসিআর দিষ্ট্রিক্ট পুন্নমক মীকুপ নাহুমশিংনা লৈহনখ্রে

লক্ষ্ণৌ, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশকী গাজিয়াবাদ অমসুং গৌতম নগরদা কোভিদ ১৯ কেসশিং হেনগৎলকপদগী ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা থাংজ নুমিত্তা ষ্টেট অসিগী নেসনেল কেপিটেল রিজন (এনসিআর) গী দিষ্ট্রিক্ট পুন্নমক মীকুপ নাহুমশিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে।



লক্ষ্ণৌদা চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী টিম মাপনগী মীফম অমদা কোভিদ ১৯ গী ফিভম রিভিয়ু তৌখিবনি। য়ুপিদা এনসিআর দিষ্ট্রিক্ট নিপান লৈ। মখোয় অদুদি মিরুট, গাজিয়াবাদ, গৌতমবুদ্ধ নগর, বুলান্সার, বাগপাট, হাপুর, সাম্লি অমসুং মুজাফরনগর অসিনি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি এনসিআর রিজনগী দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা কোভিদ ১৯ কেসশিং ৱাংখৎলক্লে হায়বসি খঙলে। ইনৌ নৌনা গৌতমবুদ্ধ নগরদা কোভিদ ১৯ কেস ৭০ থেংনখি অমসুং গাজিয়াবাদতা অনৌবা কেস ১১ থেংনখি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, ওইরক্লিবা ফিভম অদু মহাক্না দিষ্ট্রিক্ট মাজিষ্ট্রেট অমসুং চীফ মেদিকেল ওফিসারশিংগা লোয়ননা রিভিয়ু তৌরগনি। জিনোম সিক্কেনশিং চত্থনবা পোজিটিব কেসশিংগী সেম্পলশিং কলেক্সন তৌনবসু মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংদা মহাক্না খঙহনখি।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক এক্তিব কেস ৫০৭ লৈ। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা পুন্না কোভিদ ১৯ কেস ৭৩,৮৮১ কন্দক্ট তৌখি অমসুং অনৌবা কেস ১০৬ কনফার্ম তৌখি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা পেসেন্ট ৩৭ লায়েংবদা ফদুনা দিসচার্জ তৌখি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, ঐখোয়না ইনৌ নৌনা কেস মশিং হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংদুনা চেকশিন থৌরাংশিং মপুং ফানা লৌখৎপা মথৌ তাই। ষ্টেট অসিদা কোভিদ ১৯ ভেক্সিনেসন দ্রাইব মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌরি। হৌজিক ফাওবদা য়ুপিগী ইলিজিবল মীশিংগী চাদ ৯৬ কোভিদ ১৯ ভেক্সিনগী দোজ অনীমক কাপ্লে অমসুং চহী ১২ দগী ১৪ অমদি ১৫ দগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং ভেক্সিন কাপ্পগী থবক খুমাঙ য়াঙশিন্নবা চত্থরি হায়না সিএমনা ফোঙদোকখি।

যোগি অনিত্যনাথনা হায়খি, চহী ১৮ মথক্কী মীওইশিংদা বুষ্টর দোজ কাপ্পগী থবক থুজিল্লগনি। সিটিজেন অমত্তা ভেক্সিন কাপ্পগী খুদোংচাবা নাম্থোকহন্দনবা যোগিনা মহাক্কী টিমদা পাউতাক পীখি।

মহাক্না মখা তারদুনা লৌ-নগনবা লায়নাশিং শন্দোরকপা লাকশিন্নবগীদমক্তা দষ্টক কেম্পেইনশিং থুনা ইমপ্লিমেন্ট তৌরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

যোগিনা হায়খি, মদুদি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা হৌজিক মরু ওইনা মালেরিয়া লাকশিনবদা অহেনবা মীৎয়েং থম্লি। মসিদা নত্তনা লক্ষ্ণৌ দিভিজনদা দেঙ্গিদগী ঙাকথোক্লবগী অহেনবা থৌরাংশিংসু অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা পায়খৎলগনি।

ষ্টেট অসিগী নোংপোক থংবা এরিয়াগী মীয়ামদা ইনসেফলাইটিসকী মরমদা ৱাখল তাহনবা মথৌ তাই। ইন্দিয়াগী নিংতম্বগী ওইবা অমৃট মহটসবকী থৌরমগা মরী লৈননা দিভলপমেন্ট ব্লোক খুদিংমক্তা অখন্নবা হেল্‌থ ক্যেরশিং ওর্গনাইজ তৌরি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, এপ্রিল ১৮ অমসুং ২৪ গী মরক্তা হেল্‌থ ফ্যের অদুদা লোকেল পব্লিক রিপ্রজেন্টিটিবশিং শরুক য়াগদৌরিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা ফৌ অমসুং গেহু লৈবগী পোলিসিশিংগা মান্ননা লৌমীশিংদগী মিলেট লৈননবগী পোলিসিসু শেম শাগদবনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এক্সন প্লান অমা পুথোক্তুনা লৌমীশিংগীদমক রিম্যুনেরেটিব মমল লেপথোক্লগনি অমসুং মখোয়গী ইনকম হেনগৎহল্লগনি।

চিঙ্গাক্কী মহৈ মরোংশিং অমদি হৱাই চেঙৱাইশিং লৌমীশিংদগী লৈশিনবগী থবকশিং নীংথিনা মেনেজ তৌবা মথৌ তাই। লৌমীশিংনা পুথোক্লিবশিং অসি অরেম্বদা মাঙহল্লোইদবনি।

ভিলেজ পঞ্চায়ট লেভেলদা অনৌবা গোদাউনশিং শাগৎলগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ꯔꯦꯖꯣꯅꯦꯟꯁ
Resonance®
Educating for better tomorrow
Live-video Learning Program (LLP) Centre
* 45 Days Crash Course for NEET 2022
(Commencement Date - 10th May, 2022)
* 1 Year Regular Courses for NEET & JEE
* Foundation Courses for Class-IX to XII (NEET & JEE)
Commencement date-15th May, 2022
*6 hours class daily
* Test series from Resonance Kota
*Classes from best faculties from Resonance Kota.
Study Materials from Resonance Kota Rajasthan
ENROLL TODAY!
PHYSICS FACULTY
Er. Sundaram Kr.
B.Tech (CSE), PGPM/MBA
More than 9 years (JEE/NEET) experience Physicist (down to earth) Author/Speaker/Pioneer in Spiritual Psychodynamics Member of International United Educationists Fraternity (IUEF)
BIOLOGY FACULTY
Mr. Vishal Kumar
10 years experience as Biology faculty for NEET
MATHS FACULTY
Mr. Basant Kumar
Faculty member of Aakash Coaching Institute, Muzzafarpur
Over 25 years of experience for JEE
CHEMISTRY FACULTY
Mr. Sujal Baroi
B. Tech, Electrical Engineering
6 years experience as Chemistry faculty at Resonance, Silliguri
ADMISSION
THROUGH SCHOLARSHIP TEST
91-100% score - Free Admission
81 - 90% score - 50% Concession
Nachom Edu Foundation,
3rd Floor, L.K. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001
For more details
9402979552 / 8794961535

Regd. No. : KNL / 497 / (CE) of 2018 (I/W)
ꯁꯪꯒꯥꯢ ꯇ꯭ꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯥꯜ
SANGAI TUTORIAL
ADMISSION OPEN | Kwaikeithel Near Imphal College, Imphal
FOUNDATION COURSE for CLASS- X (BOSEM), CLASS - XII Sc. (COHSEM)
CLASS COMMENCING ON :
CLASS X - 11TH APRIL, 2022
CLASS XII Sc. - 9TH MAY, 2022
Special features : a) Chapterwise Test Series
b)We provide printed probable questions and answers
c) Hostel for Boys & Girls d) Van Service available
CLASS TIMING : 4:30 PM TO 7:30 PM
Our position holders for last 3 years
2020 BATCH
3RD POSITION KH. BOBOSANA
4TH POSITION W. RANJAN
6TH POSITION JESSICA K.
8TH POSITION W. THOIHENBA
9TH POSITION YAIPHABA O.
12TH POSITION RABINDRA M.
14TH POSITION N. REDNA DEVI
20TH POSITION MANGAL M.
22TH POSITION I. ARJUN
90.5% HSLCE K. NGANTHOIBA
2019 BATCH
14TH POSITION N. ZENO
17TH POSITION JESSICA K.
23RD POSITION K. JAYA DEVI
24TH POSITION RUSHELY L.
2018 BATCH
1ST POSITION YAIPHABI M.
3RD POSITION ANJALI A.
6TH POSITION SANAMATUM W.
23RD POSITION H. HELEN
8413855751
9862712287
Form Available : 1. SANGAI HOSTELS, Kwakeithel Ningthemkol Opp. Tiddim Ground
2. Office of SANGAI TUITORIAL, Kwakeithel Near Imphal College
HL/P/1896/26/3 - 26/4